**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25.6.2024)**

**এরেষ্ট (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং তমেংলোং, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। নোনে জিলাগী খোংশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোংজারোং খুনৌ অমসুং ওল নুংনাং ভিলেজতা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা য়াম্লবা খুৎলায়শিং ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুদা ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স-ঐচ.কে. এসোল্ট রাইফল অমা, সেভন পোইন্ট সিক্স টুগী রাইফল অমা, করবাইন মেছিনগন অমা, মেগজিনগা লোয়নবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অহুম, লেথোদ গ্রেনেদ অহুম, রেদিও সেট অনি য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী কদাংবন্দ পার্ট টু সিংদা মহাদেব চিংদা চথুখিবা ওপরেসন অদুদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমদি কাত্রিজ তরেৎনচিংবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা কাংপোকপীগী বাইজাং ভিলেজকী অকোইবদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথুবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং অসি ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অসিদা মেগজিনগা লোয়নবা এম.এ. থ্রি. এম.কে. টু রাইফল অমা, মেগজিনগা লোয়নবা এস.এল.আর. রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, ইমপ্রোভাইস পম্পী অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মরু তরা, নোংমৈ মরু হাপবা খাউ অমা, জেকেট তরুক য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

**রেল্লি (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা ঙসি তমেংলোং জিলাগী কাহুলোংদগী হৌদুনা বাইক রেল্লি অমা চৎখ্রে। দ্রগ লান্না শিজিন্নবা অমদি য়োনবগী মায়োক্তা দোকুমেন্টরি কয়া উৎতুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু জেলিরো এদভেঞ্চর বাইকরস ক্লবনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-তমেংলোং অমদি সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি। রেল্লি অদু ওল তমেংলোংগী কাহুলোংদগী লমথাখি। বাইকর ২০ অমদি তোঙনা তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াখিবা রেল্লি অদুনা সোলস হারভেষ্টিং দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা চৎতুনা দ্রগনা খুন্নাই অসিদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা ইনমেটশিংদা পাউতাক পীখি।

**শরেং (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙা য়োকপগী লমদা অনৌবা পন্দুপ অমা ফংবা ঙমলে। রাজ্য অসিদা মীয়ামনা পামা চান্নরিবা ঙা 'শরেং' মহৌশাদগী লৈজক্লবা লৌশিং গ্যান শিজিন্নদুনা মরাং কায়না পুথোকপা ঙমলে।

রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগকী মতেংগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাঙ্গোই মখা লৈকাইদা লৈবা ফার্ম অমদা শরেং মচা মায় পাকা পুথোকপা ঙমলে। রাজ্য অসিগী মীয়ামা পামা চান্নরিবা ঙা মখল অসি মাংখিগদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈরম্বা অদু মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রিনা লমদম অসিদা শরেং মরাং কায়না পুথোকবা হোৎনগনি হায়না ইং কুমজা ২০২১ গী জ়লাই ১০ দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল নেসনেল ফিস ফামরস ডেদা লাউথোকখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা, ফিসরিজ বিভাগনা পাইলোট প্রোজেক্ট ওইনা শরেং প্রোজেক্ট পায়খৎপা হৌখ্রে।

রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগকী দিরেক্তর-হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-মনিপুরদা মতম অমদা শরেং অসি পাৎ-তুরেল কয়ামরুমদা ফংলম্লবসু হৌজিক্তি ফংখিদ্রে। রাজ্য অসিদা অহানবা ওইনা শরেং মচা কোকহনবা ঙম্বা অসিনা মীয়ামনা পামরবা ঙা মখল অসি মরাং কায়না

পুথোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**গভনর (এল)ঃ** নেসনেল ইন্সটিটুট্যট ওফ টেকোলোজি (এন.আই.টি) মনিপুর অমসুং ইন্সটিটুট্যট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্ট (আই.বি.এস.টি) ইম্ফালগী দাইরেক্তরশিংনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অনুসুইয়া উইকেগা উন্নখ্রে।

এন.আই.টিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার দি. সোময়া জ্লুনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল উন্নদুনা ইন্সটিটুট্যট অসিদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা পাউদমখি। ইন্সটিটুট্যট অসিদা অপুনবা মহৈরোই লিশিং ১,২০০ লৈবগী মনুংদা চাদা ৫০ দি মনিপুরদগীনি হায়না পাউদমখি। দাইরেক্তরনা হায়-ইন্সটিটুট্যট অসিগী পার্মিনেন্ট কেম্পস অমা লৈতবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মীহুৎ কাংবু অদুনা রাজ্যপালদা ইন্সটিটুট্যট অসিদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি পীবিনবা হায়জখি। মখোয়গী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা রাজ্যপালনা মহাক্কী মায়কৈদগী টেকিকেল ইন্সটিটুট্যট অসিবু চাউখৎনবগীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

অমরোমদা, আই.বি.এস.দিগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-পুলোগ কুমার মুখর্জিনা লুচিংবা কাংবু অমনা রাজ্যপালগা উন্নদুনা ইন্সটিটুট্যট অসিদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অমদা শরুক য়াবীনবা হায়জখি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** নহারোল সহিত্য প্রেমি সমিতি-ইম্ফালনা মনিপুরি সাহিত্যদা মমল নাইদ্রবা খুদোল তৌরিবা অইবা-অইবীশিংদা চহি খুদিংগী পীবা রাইটর ওফ দি ইয়ার-২০২৪ লাইফ টাইম এচিপমেন্ট এৱার্ড মনিপুরগী অইবা প্রোফেসার নোংমাইথেম তোন্বীদা পীরগনি। মনা অসি নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতিগী ২৫ শুবা অইবশিংগী নুমিৎ জ্লাই ১৭ তা খুৎশিন্নগনি।

**প্রোগ্রাম(এল) ঃ** ভারত্তা নৌনা চৎনগদৌরিবা ত্রিমিনেল লো অহুম হায়বদি ভারতিয়া নিয়াই সনহিতা, ভারতিয়া নাগরিক শুরক্সা শনহিতা অমসুং ভারতিয়া শকসিয়া অধিনিয়মগীগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোকচগনি।

থৌরম অসি অকাশবানি ইম্ফালগী য়ু ট্যুব চেন্নেলদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**ডে (এল)ঃ** ইং কুমজা ১৯৭৫ তা মতমদুগী সরকারনা লৈবাক শিনবা থুংবদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিববু বি.জে.পিনা নুমিৎ অসি দার্গ ডেস ওফ দেমোক্রেসি হায়না লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি.জে.পি. হেদক্বাটরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়-ইমর্জেন্সিগী মতমদা মতমদুগী লুচিংবা মোজি দেসাই, অতল বিহারি ভাজপায় অমসুং এল.কে. অদভানিনচিংবা লুচিংবা কয়া থা ১৯ হেন্না জেলদা থমজিনখি। মহাকা হায়-মখোয়না গনতন্ত্রবু ঙাকা চৎনবগীদমক খোল্লাউ কয়া লাউরুবগীদমক জেলদা থাজিনখিবনি। ভারত অসি গনতন্ত্রগী মমানি হায়না খঙনরিবনি। অদুবু, কংগ্রেসনা গনতন্ত্রবু শিংনদুনা ইমর্জেন্সি থমজিনখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়-ইমরার্জেন্সিগী মতম অদু মীয়ামগী ওইনদি চাওনা শিংনবা মতম অমা ওইখি। মতম অদুদা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইনা গনতন্ত্রগী মথক্তা চপ্থরকখিবা লাল্লোং অদুবু মায়োকখি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-চহি অনি হেন্না থমখিবা ইমর্জেন্সি অদু গনতন্ত্র চৎপা ভারত অমসুং নীংখা তম্বা লৈবাক অমগী ওইনদি অমন্বা মতমনি।

সোসিএ মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইমর্জেন্সি থমখিবা অদু মতমদুগী কংগ্রেস সরকারনা মীয়ামগী খোল্লাউ নমশিন্নবা অমদি

শক্তি পায়ননবা হোৎনখিবনি। ইমর্জেন্সি মতমদা কংগ্রেস দলগী থৌওং অদুনা মীয়ামদা চাউনা মমি তাদুনা লৈহৌখি। থৌওং অসিনা গনতন্ত্রগী চৎন-কাঙলোনবু ইকায় খুমদবা অমদি মীয়ামগী হক মৎপনি।

মনিপুরদসু নুমিৎ অসি বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা শিনদুনা নিত্যপাৎ চুথেক ইম্ফালদা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা নুমিৎ অসি নীংশিংদুনা দার্গ ডে হায়না পাঙথোকখি। হান্নগী এম.এল.এ. এম. ভোরোটনা লুচিংদুনা পালন থৌরম অসি দার্গ ডে রিমেমবরেঞ্জ ওফ ইমর্জেন্সি হায়না পাঙথোকখি। থৌরমদুদা দলগী লুচিংবা অমসুং এম.এল.এ. টি.ঐচ. ইবোমচা, দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট-এন. নিমভসনচিংবা শরুক য়াখি।

দলগী জেনরেল সেক্রেটরি-এল. দেবেন সিংহনা থাদোকপা চেরোল অমনা হায়-ইং কুমজা ১৯৭৫ কী জন ২৫ দগী ইং কুমজা ১৯৭৭ গী মার্চ ২১ ফাওবা থমখিবা ইমর্জেন্সি অদুনা মতমদুগী প্রধান মন্ত্রি-ইন্দিরা গান্ধিনা বিরোধিদা লৈবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংবু ফাজিনদুনা থমজিনবতা নত্তনা প্রেস অমদি মেদিয়াগী মচিন মেনশিন্নবা হোৎনখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ইমর্জেন্সি মতমদা ফাজিনদুনা জেলদা থল্লকখিবা দলগী লুচিংবশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**পোলো (এল) ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাবগাইদা ঙরাংদগী হৌদুনা চত্থরকখিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল ওপন পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্বাক্তা পোলো ক্লব অমদি থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচতা ক্বাক্তা পোলো ক্লবনা নম্বুল মপান পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০-১ অমসুং গ্রুপ (বি) গী মেটচতা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১১-৪ দা থোইখি।

ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো), ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন, কে.দি.পি.এ. অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লব

ওর্গনাইজেসন (কাদুকো) না শিনদুনা খুল পল্লি হিয়াংলম ৱাবগাই তেরা পিশকতা ঙরাং হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসননা তেন্থা পোলো ক্লব (বি) বু পাঞ্জল ৯-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ককচিংদা চথরিবা ২০ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.এ. ককচিং খুনৌনা দি.ৱাই.এ. এলাং খাংপোকপীবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ওকপা (এল) ঃ** মালেমগী থাক্তা অহানবা ওইনা উত্তর প্রদেসকী অয্যোধিয়াদা দিন দয়াল উপধ্যায় মেমোরিএল ইন্টরনেসনেল ইনভাইটেসন মাস্তর এঠলেটিক্স ইন্দিয়া কম্পিটিসন-২০২৪ দা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং হরাও তয়ামা ওকখ্রে। ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পৌরাবী পুখ্রি অচৌবা মপানদা লৈবা সেনিয়ার এঠলেটিক-সোরোখাইবম মৈপাকসনাগী য়ুমদা পাঙথোকখি।

**লোক সভাঃ** ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতসু নৌনা খল্লক্লবা এম.পিশিং ৱাশক লৌখি। লোক সভা সদস্য ওইনা ৱাশক লৌখিবশিংগী মনুংদা কংগ্রেস লুচিংবা-রাহুল গান্ধি, সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা-অখিলেস যাদব, দিম্পল যাদব, বি.জে.পি. লুচিংবী-হেমা মালিনি, এন.সি.পিগী মহারাস্ত্রদগী কারকপা সুপ্রিয়া সুলে অমসুং অমোল খোলে য়াওরি। রাজস্থানদগী কারক্লবা বি.জে.পিগী এম.পি. অমসুং হান্নগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলা, তামিল নাদুদগী কারক্লবা দি.এম.কেগী এম.পি-দয়ানিধি মারন, টি.আর.বালু অমসুং কানি মোরি, করুনানিধিসু ৱাশক লৌখি। এ.আই.এম.আই.এম.এসকী অসাদ উদিন আৱেসিসু ৱাশক লৌখি।

মনিপুরদগী কাখিবা কংগ্রেসকী এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজম

অমসুং অলব্রেদ কাঙম এস. আথরসু ঙসি নুংথিল লোক সভা সদস্য ওইনা ৱাশক লৌখি। ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতগী কংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা কাখিবা অঙোমচা বিমোল অকোইজম মনিপুরি লোলদা ৱাশক লৌখি। আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কাখিবা অলফ্রেদ কাঙম আথরনা ইংলিসতা ৱাশক লৌখি।

**স্পিকরঃ** লোক সভাগী অধ্যক্ষ খন্নবা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগীদমক বি.জে.পিগী ওইনা মমাংগী টার্মদসু অধ্যক্ষ ওইখ্রবা ওম. বিরলা, এন.দি.এগী মীরেপ ওইনা চে পীশিনখ্রে। অমরোমদা, বিরোধি ইন্দিয়া ব্লোক্কী ওইনা কংগ্রেস সদস্য-কে. সুরেসসু মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

মদুগী মমাংদা, সরকার অমসুং বিরোধিগী মরক্তা অধ্যক্ষগী পোষ্টকীদমক য়ান্নবা অমা পুরকপা ঙমখিদে। সংসদকী মপানদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-পিয়ুজ গোয়লনা হায়-কেন্দ্রগী মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, অমৃত সাহ অমসুং জি.পি. নদ্দানা কংগ্রেস লুচিংবা কে.সি.ভেনুগোপাল অমসুং দি.এম.কেগী সদস্য-টি.আর. বালুগা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। অদুমওইনমক, মখোয়না ওম. বিরলাবু লোক সভাগী সদস্য ওইনা লাউথোক্ক্রিঙৈদা দিপ্যুতি স্পিকরগী মিং লাউথোকবা দাবী তৌখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়-লোক সভা অধ্যক্ষ ফমগীদমক এন.দি.এগী মীরেপতা শৌগৎনবা তয়ারি তৌদুনা লৈ অদুবু দিপ্যুতি স্পিকরগী ফম অসি বিরোধি মীরেপতা পীগদবনি।

মরক অসিদা, লোক সভাদা হয়েং মরুওইবা হীরম কয়া লৌখৎকদৌরিবা অসিগী য়েংলগা কংগ্রেসনা হ্বিপ জারিখ্রে। লোক সভাদা কংগ্রেসকী সদস্যশিং অয়ুক পুং ১১ দগী সভাগী মীফম লোয়দ্রিবা ফাওবা লৈননবা দলগী চীফ হ্বিপ-কোদি কুনিল সুরেসনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** আই.সি.সি. মেন্স টি-টোইন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল লাইন-অপ শেম্বা লোয়রে। অহানবা সেমি ফাইনেলদা লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা সাউথ আফ্রিকাগা অফগানিস্তানগা শান্নগনি। অনিশুবা সেমি ফাইনেলদনা নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দা ভারতকা ইংলেন্দগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী কিংসতন সেন্ট ভিনসেন্টতা শান্নখিবা অরোইবা সুপর আইট মেটচতা অফগানিস্তাননা বঙ্গলাদেসপু রন-৮ দা থোইখি। হান্না বেটিং তৌখিবা অফগানিস্তাননা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন-১১৫ লৌখি। দি.এল.এস. মেথৎতা বঙ্গলাদেসনা ওভর ১৯ দা রন-১১৪ লৌগদবদা ওভর ১৭ বোল ৫ দা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন-১০৫ খক লৌখি।